
# রোজর ফেদররনা তরুকশুবা মফমদা লৈখ্রে, এঞ্জেলিগ কার্বরনা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংগী টোপ্পা লৈখ্রে





ন্যু দেল্লি, মার্চ ২১ :
রোজর ফেদররনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা এ টি পি রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম মরি কাখৎলগা তরুকশুবা মফমদা লৈখ্রে। মসি মহাক্না ইন্দিয়ন ৱেল্লস মাষ্টর্সকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুদগী রেঙ্কিংদা হায়গৎপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী মরিশুবা রাউন্দদা মায়থীখ্রবসু সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু নক্নৎলল্লগা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংগী টোপ স্পোটতা লৈখি।

ফেদররনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী মরিশুবা রাউন্দদা মহাক্কী রাইভেল রফেল নদালবু মায়থীবা পীখ্রবা মতুং ফাইনেলদা ফেল্লো স্বিসকী ষ্টান ৱারিঙ্কাবু মায়থীবা পীদুনা মঙারকশুবা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী টাইটল লৌখি।

এন্দি মরেনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রবসু নম্বর ৱান স্পোটতা লৈখি অদুগা ইন্দিয়ন ৱেল্লসতা ঙন্না লৈহৌখিবা নোভাক জোকোভিচনা অহুমশুবা মফমদা লৈরিবা ৱারিঙ্কাগী মথক থংনা অনীশুবা রেঙ্কিংদা লৈখি।

এ টি পি রেঙ্কিংদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা বৃটেনগী এন্দি মরে (পোইন্ট ১২,০০৫), অনীশুবদা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ (পোইন্ট৮,৯১৫), অহুমশুবদা স্বিসকী ষ্টান ৱারিঙ্কা (পোইন্ট ৫,৭-০৫), মরিশুবদা জপানগী কৈ নিশিকোরি (পোইন্ট ৪,৭৩০), মঙাশুবদা কনাডাগী মিলোস রাওনিক (পোইন্ট ৪,৪৮০), তরুকশুবদা স্বিসকী রোজর ফেদরর (পোইন্ট ৪,৩০৫), তরেৎশুবদা স্পেনগী রফেল নদাল (পোইন্ট ৪,১৪৫), নিপানশুবদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম (পোইন্ট ৩,৪৬৫), মাপনশুবদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক (পোইন্ট ৩,৪২০), তরাশুবদা ফ্রেঞ্চকী জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গা (পোইন্ট ৩,৩১০), তরামাথোইশুবদা ফ্রেঞ্চকী গেল মোনফিলস (পোইন্ট ৩,১৯০), তরানিথোইশুবদা বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিন (পোইন্ট ২,৯৭৫), তরাহুমদোইশুবদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভ (পোইন্ট ২,৯৬০), তরামরিশুবদা চেককী টোমাস বার্দিচ (পোইন্ট ২,৭৯০), তরামঙাশুবদা ফ্রেঞ্চকী লুকাস পৌল্লে (পোইন্ট২,৪৫৬), তরাতরুকশুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওস (পোইন্ট ২,৪২৫) তরাতরেৎশুবদা যু এস এগী জেক সোক (পোইন্ট ২,৩৭৫), তরানিপানশুবদা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টা (পোইন্ট ২,১৯০), তরামাপনশুবদা স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টা (পোইন্ট ২,০২৫) অমদি কুনশুবদা জর্মনগী আলেকজেন্দর জভেরেব (পোইন্ট ১,৮৫০)নি।

অমরোমদা, জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী মরিশুবা রাউন্দদা মায়থীখ্রবসু সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু নক্নৎলল্লগা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংগী টোপ স্পোটতা লৈখি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবী অসিনা ইন্দিয়া ৱেল্লসকী দ্রোদা টোপ-রেঙ্ক প্লেয়র ওইদুনা ঙন্না লৈহৌখ্রবসু ৱর্ল্ডগী নম্বর ৱানদা হল্লকখি। ৱিল্লিয়মসনা মশাগী অশোকপা লৈখিবদগী ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিদে।

রসিয়াগী চহী ৩০ শুরবী ইলেনা ভেসনিনানা কার্বরবু মরিশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখিবা অদুনা রেঙ্কিংদা ১৩ শুবা মফমদা কাখৎপা ঙমখি। মসি মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা রেঙ্কিং ওইরি।

অনৌবা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বর (পোইন্ট ৭,৫১৫), অনীশুবদা যু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মস (পোইন্ট ৭,১৩০), অহুমশুবদা চেক্কী কারোলিনা প্লিস্কোভা (পোইন্ট ৫,৬৪০), মরিশুবদা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোভা (পোইন্ট ৫,১৬০), মঙাশুবদা রোমানিয়াগী সিমোন হালেপ (পোইন্ট ৫,০২২), তরুকশুবদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা (পোইন্ট ৪,৭৯০), তরেৎশুবদা রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসোভা (পোইন্ট ৪,৫৫৫), নিপানশুবদা পোলেন্দগী অগনিজকা রাদৱানস্কি (পোইন্ট ৪,৩৪৫), মাপনশুবদা যু এস এগী মেদিসন কিজ (পোইন্ট ৪,০০৭), তরাশুবদা যুক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনা (পোইন্ট ৩,৮৫০), তরামাথোইশুবদা বৃটেনগী জোহন্না কোন্টা (পোইন্ট ৩,৫৪৫), তরানিথোইশুবদা যু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মস (পোইন্ট ৩,৪৮৫), তরাহুমদোইশুবদা রসিয়াগী ইলেনা ভেসনিনা (পোইন্ট ৩,৩২০), তরামরিশুবদা দেনমার্ককী কারোলিন ৱোজনিয়াক্কি (পোইন্ট ৩,২২৫), তরামঙাশুবদা চেক্কী পেট্রা কভিটোভা (পোইন্ট ৩,০৯৫), তরাতরুকশুবদা স্বিসকী টিমিয়া বাকসিঞ্জকি (পোইন্ট ২,৩০৩), তরাতরেৎশুবদা রসিয়াগী অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ুচেঙ্কোভা (পোইন্ট ২,১৪১), তরানিপানশুবদা ফ্রেঞ্চকী ক্রিষ্টিনা ম্লাদেনোভিক (পোইন্ট ২,০৮০), তরামাপনশুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর অমদি কুনশুবদা চেক্কী বার্বারা ষ্ট্রাইকোভানি।

# থিন্নগদবা লম্বা ফংদবদগী ভিজেন্দর সিংহগী মথংগী বাউট য়ৈথোকখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ২১ :
ইন্দিয়ন বোক্সিং ষ্টার ভিজেন্দর সিংহগী মথং বাউট এপ্রিল ১ দা তারিবা অসিগীদমক মহাক্কী প্রমোটরসনা থিন্নগদবা মহাক্কী লম্বা থিবদা ফংদবদগী য়ৈথোকখ্রে।

ভিজেন্দরগী প্রমোটরস আই ও এস বোক্সিং প্রমোসন্স এমদি নীরাভ টোমারনা হায়খি, হোয়, হৌজিক ঐখোয়না মহাক্কা থিন্নগদবা লম্বা থিবদা ফংবা ঙমদ্রে। মরমদি মহাক্কী মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা মায় পাকপগী রেকোর্দ অসিনা ফংদবনি। মহাকঅসি য়াম্না তমথীবা মীওই অমা ওইরে, কনাগুম্বা অমত্তনা মহাক্কা মায়োক্নবা পামদ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ফাইট অসি ফীভম, মতমগী মতুং ইন্না য়ৈথোক্লে অমদি ঐখোয়না মহাক্কী ফাইটকীদমক আই পি এল লোইরবা মতুং মে থাগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্নবা মিৎয়েং থল্লি। ঐখোয়না অথুবা মতমদা লম্বা অমা ফাইনেলাইজ তৌগনি হায়না ঐনা আশা তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ভিজেন্দর অসি বাউট নিপান শান্নখ্রবা মতুং মায়থীবা পীবিনবা লৈতনা লৈরি অমদি হৌজিক দব্লিয়ু বি ও এসিয়া পেসিফিক চেম্পিয়ন ওইরিবনি।

লাক্লিবা এপ্রিল ১ গী ফাইট নাইটতা মশাগী চহী ৩১ শুরবা অসিনা চিনাগী দব্লিয়ু বি ও ওরিয়েন্টল চেম্পিয়ন জুলপিকর মাইমাইটিয়ালিগা থিন্নবা সেদ্যুল শেমদুনা লৈখ্রবনি। অদুবু মাইমাইটিয়ালিনা অকক্লবা মরম অমত্তা পীবা তৌদনা কন্টেষ্ট অসিদগী হন্দোকখিবদগী ফাইট অসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

টোমারনা হায়খি, মাইমাইটিয়ালিনা মমায় লৈদুনা চৎখ্রে অমদি অসিগুম্বা ফীভম অসিদা কনাগুম্বা অমা মহাক্কী মহুৎকীদমক থিদুনা থিন্ননবা হোৎনবা হায়বসি অরায়বা অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

ভিজেন্দর-জুলপিকরগী সুপর মিদ্দলৱেঠ কন্টেষ্ট অসি দবল এসিয়ন টাইটল ফাইট ওইরিবনি। ইন্দিয়নগী দব্লিয়ু বি ও এসিয়া সেসিফিক বেল্ট অমদি চাইনিজ বোক্সরগী দব্লিয়ু বি ও ওরিয়েন্টল টাইটলবু ৱিন্নর অদুনা লৌগনি।

মায়থীবা মশক খঙদনা লৈরিবা ভিজেন্দরনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা টাঞ্জানিয়াগী ফ্রান্সিস চেকাবু থিনদৎতুনা মহাক্কী টাইটল দিফেন্দ তৌখি। এপ্রিলগী ফাইট নাইটতা ওলেম্পিয়ন অখিল কুমার অমদি জিটেন্দর কুমারগী অহানবা প্রোফেস্নেল বাউটসু শান্ননবা থৌরাং তৌরম্বনি।

# জাদেজানা অশ্বিনবু মায়থীবা পীরম্লগা আই সি সি টেষ্ট বোল্লরগী রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে



দুবাই, মার্চ ২১ :
ইন্দিয়াগী রভিন্দ্রা জাদেজানা স্পিন ত্বিন রভিচন্দ্রন অশ্বিনবু নক্নৎলল্লগা নৌনা থোকখিবা আই সি সি টেষ্ট বোল্লরগী রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে দুগা চেটেশ্বর পুজারানা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা বেটসমেনশিংগী মরক্তা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈখি।

লেফট-আর্ম স্পিন্নর জাদেজানা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা শান্নদুনা দ্রো চৎখিবা অহুমশুবা টেষ্ট অদুদা ৱিকেট মাপন লৌখিদুনা অশ্বিনবু নক্নৎলমখি। দ্রো চৎখিবা অদুনা টেষ্ট মেচ মরিগী সেরিজ অদু ১-১ দা লৈখি।

জাদেজানা রাঞ্চিগী টেষ্ট অদুদা রন ১২৪ পীথোক্লগা ৱিকেট মঙা অমদি রন ৫৪ পীরগা ৱিকেট মরি লৌখিবা অদুনা পোইন্ট তরেৎ ফংবা ঙমখি।

অহানবা জাদেজানা অশ্বিনগা লোয়ননা পোইন্ট ৮৯২ পায়রগা শান্নবা হৌখিবনি। লেফট-আর্ম স্পিন্নর অসিনা বোল্লিং চার্টতা অশ্বিন অমদি বিশান সিংহ বেদিগী মতুংদা টোপ স্পোটতা লৈবা ঙম্বা অহুমশুবা ইন্দিয়ন প্লেয়রসু ওইখি।

পুজারানা রাঞ্চিগী টেষ্ট অদুদা রন ২০২ লৌবা ঙমখিবা অদুনা স্লোট মরি ফংবা ঙমখিদুনা অপুনবা পোইন্ট৮৬১ দা লৈখিবদগী মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈখি।

সৌরাষ্ট্রাগী বেটসমেন অসিনা ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন কেন ৱিল্লিয়মসনগী মহুৎ শিনখি। ৱিল্লিয়মসননা হৌজিক মঙাশুবা মফমদা লৈদুনা জো রুট অমদি ভিরাট কোহলিগী মখা থানা লৈখি। জো রুটনা অহুমশুবা অমদি ভিরাট কোহলিনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখি। টোপ রেঙ্কতা ওষ্ট্রেলিয়ন কেপ্টেন ষ্টেভ স্মিথনা রাঞ্চি টেষ্টতা রন ১৭৮ লৌদুনা নোট আউটতা লৈখিবা অমদি রন ২১ লৌখিবা অদুনা অপুনবা পোইন্ট ৯৪১ ফংদুনা কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেটিংদা য়ৌবা ঙমখি।

অদুগা জাদেজানা মহাক্কী অপুনবা রেটিং পোইন্ট৮৯৯ দা লৈখিদুনা পোইন্ট মার্ক ৯০০ য়ৌখ্রবা অশ্বিনগী হেক মথংদা মার্ক অসি য়ৌগদবা অনীশুবা ইন্দিয়ন বোলরসু ওইরগনি।

চৈরকসিদা য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা লাক্লিবা এপ্রিল ১ ফাওবগী মনুংদা আই সি সি টেষ্ট টিম রেঙ্কিংগী অনীশুবা মফমগীদমক ওষ্ট্রেলিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকানা তান্নরি। মসিদা ইন্দিয়ানা অহানবা মফমদা লৈদুনা যু এস দি মিল্লিয়ন অমা কেস এৱার্ড ওইনা ফংগনি।

ধর্মাসলাদা শান্নগদৌরিবা অরোইবা টেষ্টতা য়ামদ্রবদা দ্রো চৎলবদি ওষ্ট্রেলিয়ানা অনীশুবা মফমদা লৈদুনা কেস এৱার্দ ওইনা যু এস দি ৫০০,০০০ গী শেনফম ফংগনি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা মায়থীরবদি সাউথ অফ্রিকানা অনীশুবা মফমদা লৈগনি। সাউথ অফ্রিকানা ন্যু জিলেন্দগা হামিলটনদা শান্নগদবা অরোইবা মেচতা মায় পাকপা নৎত্রগা দ্রো চৎপা মথৌ তারি।

এপ্রিল ১ দা অহুমশুবা টিম ওইগবা অদুনা যু এস দি ২০০,০০০ ফংগনি অদুগা মরিশুবা টিম ওইগদৌরিবা ইংলেন্দনা যু এস দি ১০০,০০০ ফংগনি।

# ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী শেমগৎ শাগৎলিবশিং ফিফাগী দেলিগেসন টিমনা য়েংশিল্লগনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২১ :
চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী শেমগৎ-শাগৎলিবশিং মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী টিম অমনা ঙসিদগী হৌরগা থাসিগী ২৭ ফাওবা অরোইবা ওইনা য়েংশিল্লগনি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

ফিফাগী হেদ ওফ ইভেন্টস জাইমি য়ার্জানা লুচিংবা টিম অসিনা ঙসি লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা থুংলরবা মতুং মথং নুমিৎ মার্চ ২২ দা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অমদি মসিগী ট্রেনিং গ্রাউন্দশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা পাউগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। মার্চ ২৩ দা জাইমি য়ার্জানা লুচিংবা টিম অসিনা গোৱাদা অদুগা মার্চ ২৪ দনা কোচিদা, মার্চ ২৫ দা নাভি মুম্বাইদা, মার্চ ২৬ তনা গুৱাহাটিদা অমসুং মার্চ ২৭ তনা কোলকটাদা চৎতুনা মফমশিং অসিদা শেমগৎ-শাগৎলিবশিং টুর্ণামেন্ট পাঙথোকপদা মতিক চারবরা হায়বদু কূপ্না য়েংশিনগনি।

হায়রিবা সিটি তরুক অসিদা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্নবা অকন্নবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবপক চথবদা নত্তনা মালেমগী মিৎয়েং চিংশিন্নগদবা মেগা ইভেন্ট অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবনি।

ফিফা টিমনা লৈবাক অসিদা লাক্তুনা ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক শেমগৎ-শাগৎলিবশিং মরু ওইনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়েংশিল্লগদৌরিবা অসিগী মতাংদা টুর্ণামেন্ট অসিগী দিরেক্টর জাভির সেপিনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা টিম অসিগী য়েংশিন-খোঙচৎ অসি য়াম্না মরু ওইবা খোঙচৎ অমনি। খোঙচৎ অসি মরু ওইরিবগী মরমদি ষ্টেদিয়ম পুন্নমক্কী মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং টিম অসি লাক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা শেম-শাবা লোইশিনগদবনি। টুর্ণামেন্ট অসিগীদমক শেম-শারিবশিং কয়াম খমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লে অমদি অয়াম্বা শরুক লোইশিল্লে হায়বদু ফিফাগী দেলিগসেন টিমদা উৎপা মথৌ তাই হায়বসি য়ুম্বু ওইগদৌরিবা ষ্টেট পুন্নমক্না খঙই। ফিফাগী টিম অসিনা টুর্ণামেন্ট অসিগী মেচ সেদ্যুল লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা অরোইবা য়েংশিন-খোঙচৎসু ওইরগনি। মরম অদুনা ষ্টেটশিংনা মসিগী মরু ওইবসি খঙনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং খোঙজেল য়াঙশিন্না চৎলমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক লৈবাক অসিগী সিটি তরুক খনগৎতুনা মফমশিং অদুদা লৈরিবা ষ্টেদিয়মশিং নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎখিবদা নত্তনা মফমশিং অসিদা ট্রেনিং গ্রাউন্দ মরি-মরিসু শেমগৎখ্রবনি। টুর্ণামেন্ট অসিগী দ্রোনা চহী অসিগী জুলাই ৭ তা পাঙথোক্কনি।

# এসিয়ন গেমস ২০১৮ দা মশান্না ৪২ গী মহুৎ ৩৭ খক্তদা ওইনা পাঙথোক্কদৌরি

জকার্টা, মার্চ ২১ : লাক্লিবা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা মশান্না মখল ৪২ পাঙথোক্নবা ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া (ও সি এ) না খঙহনখ্রবসু য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দোনেসিয়ানা মশান্না ৩৭ খক্তদা পাঙথোকপা পাল্লি।

ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া (ও সি এ) না থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা কুমজা ২০১৮ গী এসিয়ন গেমসতা য়াল্লবদা মশান্না মখল ৪২ পাঙথোক্নবা লাউথোকখ্রবসু মশীং অসি মমাঙগী সাউথ কোরিয়াদা অরোইবা ওইনা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদগী হেনবনা চমন্নবা পোক্তুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চিওনদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা ফুল ওলেম্পিক প্রোগ্রামদা নত্তনা সোফট টেনিস, ইন্দিয়ন রেষ্টশিং ষ্টাইল ওইরিবা কবাদ্দি অমদি চাইনিজ মার্সিয়েল আর্ট ৱুশু য়াওনা পুন্না দিসিপ্লিন ৩৬ পাঙথোকখি।

ইন্দোনেসিয়াগী ওইনদি তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদা য়েংলকপা মতমদা হৌজিক ওইরিবা খুদোংচাবা অমদি লৈতাদবা ফীভম মায়োক্নরিবনা লৈবাক অসিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট জুসুফ কাল্লানা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ওর্গানাইজিং কম্মিটিগী মীফম অমদা ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া (ও সি এ) না লাউথোকখিবা অপুনবা মশান্নশিং অদুদগী মশিং হন্থনা পাঙথোকপা পাম্বগী ফীরেপ অদু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইন্দোনেসিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ইমাম নহারাৱিনা হায়, ঐখোয়না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা মশান্না ৪২ পাঙথোক্নবগীদমক শেম-শাবা তৌদ্রি হায়না ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া (ও সি এ) দা অথুবা মতমদা খঙহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় গাটোট দেৱা ব্রোটোননা কুমজা ২০১৮ গী এসিয়ন গেমসদা ইন্দোনেসিয়ানা দিসিপ্লিন ৩৭ পাঙথোকপা পাম্মী হায়বা ৱাফম পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রবসু ওথোরিটিনদি করম্বা মশান্নবু লৌথোকপা পাল্লি হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবা তৌখিদে অমদি মসিগীদমক টাস্ক ফোর্স অমা শেমদুনা য়েংশিলহন্নবা থবক পায়খৎলে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

নিংশিংবা য়াই, ভিয়েটনামবু গেমস অসি য়ুম্বু ওইনবা খল্লমগদবদগী শেল-থুমগী ফীভমদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নবদগী য়ুম্বু ওইবগী মমায় লৈথোকখিদুনা ইন্দোনেসিয়াবু ওইনা গেমস অসি পাঙথোক্নবা খনগৎখি। ইন্দোনেসিয়া অসি মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্টশিং পাঙথোকপদা হান্নদগী হৌনা ফজদবা রেকোর্দ কয়া থমদুনা লাক্লিবনি। ইন্দোনেসিয়ানা কুমজা ২০১১ দা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন গেমস য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অদুদা চাউরবা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক লৈখিবদা নত্তনা শান্নফম ভেন্যু অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেম শাবদা থিন্থখিবা অমদি গেমস অদুগী ফুটবোল ফাইনেলদা য়াল্লবা মীয়ামশিং নেৎশিন্নবগী থৌদোক থোকখিবনি।

লাক্লিবা মথং চহীগী ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকার্টা অমদি পলেম্বাং সিটিদা এসিয়ন গেমস ২০১৮ পাঙথোক্কনি। লৈবাক অসিনা কুমজা ১৯৬২ দা অরোইবা ওইনা এসিয়ন গেমস য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী শুটর অহুম্না শুটগন ৱর্ল্ড কপ্তা মেদল ফংখিদ্রে



অকাপুলকো, মার্চ ২১ :
ইন্দিয়ন ট্রাইও জোরাভার সিংহ সন্ধু, কেনন চোনাই অমদি বিরেন্দীপ সোধিনা মফম অসিদা চথরিবা ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্ট ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱর্ল্ড কপ শুটগনগী মীওই তরুক্কী ফাইনেল রাউন্দদা চঙবা ঙমখিদবগা লোয়ননা ক্বালিফিকেসন ষ্টেজদগী খোঙ থাংদোকখ্রে।

জোরাভারনা য়াম্না নক্না পোইন্ট ১২৫ গী মনুংদা ১২১ স্কোর তৌখিদুনা নিপানশুবা মফমদা লৈখি। জোরাভারনা ন্যু দেল্লিদা চথখিবা ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজদা ১১৮ কাপখিদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

ওলেম্পিয়ন কেনন চোনাইনা ১২০ কাপখিদুনা ১৬শুবা মফমদা লৈখি অদুগা বিরেন্দীপ সোধিনা ১১২ স্কোর তৌখিদুনা ৫৩শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ফাইভ স্পেনগী অলবার্টো ফর্নান্দেজনা গোল্ড মেদল লৌখি। চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা অহানবা ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজদা অলবার্টো ফর্নান্দেজনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। মহাক্না ফাইনেলদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা এন্টোনিও বাইলোনবু ৪৫-৪২ দা মায়থীবা পীখি। গ্রেট বৃটেনগী আরোন হেদিংনা পোইন্ট ৩২ লৌখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইন্দিয়াগী মথংগী কম্পিটিটরনা মশাগী চহী ১৪ শুরবা শাপাথ ভার্দাৱাজ অমদি ন্যু দেল্লিগী ৱর্ল্ড কপ্তা শিলভর মেদল লৌখিবা অঙ্কুর মিট্রালনা মেন’স দবল ট্রেপ্তা শান্নগনি।

# ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল সাইদনা এ আই এফ এফ য়ুঠ কপ ৱিন্নর মিনরভা এফ সিগা শান্নগনি



ন্যু দেল্লি, মার্চ২১ :
ইন্দিয়ন অন্দর-১৭ ফুটবোল সাইদনা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা অন্দর-১৬ এ আই এফ এফ য়ুঠ লীগকী ৱিন্নর মিনরভা পঞ্জাব এফ সিগা ফ্রেন্দলি মেচ অনী শান্নগনি।

পঞ্জাবকী সাইদ অসিনা ফেব্রুৱারী ১০ দা পাঙথোকখিবা ফাইনেলদা ওজোন এফ সি বেঙ্গলুরুবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবনি। অন্দর-১৭ নেসনল সাইদ অসিনা মসিগী প্রিপরেটোরি টুর ওইনা য়ুরোপকীদমক লাক্লিবা এপ্রিল থাগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়া থাদোক্কনি।

অমরোমদা, মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গোভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মালিবু সস্পেন্দ তৌখিবদগী লাক্লিবা এপ্রিল ৬ অমদি ৯ দা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফুটবোল টিমগা মুম্বাইদা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেচ শান্ননবা থৌরাংলম্বা অদু য়ৈথোক্লে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না ফোঙদোকখ্রে।

অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী মাঙওইননা শেম শাবগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেচশিং অসি অন্দর-১৭ নেসনল টিমগী নৌনা কোচকী থৌ পুখ্রবা লুইস নোর্টন দি মাটোসকী মখাদা অহানবা ওইনা শান্নগদবা মেচশিং ওইরিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী জেনরেল সেক্রেটরি কুশাল দাসনা হায়খি, মালিনা ফিফাগা লৈনরিবা নুংগী ওইবা ৱাথোক অসি লোইশিন্দ্রিবা ফাওবদি স্পোর্টসকা মরী অমত্তা লৈনদনবা মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি অসিনা মসিগী মেম্বর এসোসিএসনশিংদা খঙহল্লকখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী অন্দর-১৭ টিমনা য়ুরোপ্তগী হল্লক্নবা মতুংদা ফ্রেন্দলি মেচশিং অসি পাঙথোক্নবা য়াই হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দাসনা হায়, অন্দর-১৭ টিমগী অনৌবা কোচ নোর্টন দি মাটোসকী মখাদা টিম অসিনা এপ্রিল থাদগী হৌরগা থা অনীরোম পোর্টুগালদা লৈদুনা ট্রেনিংশিং তৌগনি। টিম অসি এপ্রিল ১০ দা লৈবাক অসি থাদোক্নবা থৌরাং তৌরি। ইন্দিয়ন অন্দর-১৭ টিমনা য়ুরোপকী অন্দর-১৭ টোপ টিমশিং য়াওনা নেসনল অন্দর-১৭ টিম খরগসু ফ্রেন্দলি মেচশিং শান্ননবা থৌরাং তৌরি। ইন্দিয়ন টিম অসি জুন থাদা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, মালিগী স্পোর্টস মিনিষ্টরনা লৈবাক অদুগী ফুটবোল এসোসিএসনগী এক্সিক্যুটিব কম্মিটিবু মথৌ তৌহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা প্রোভিজনেল কম্মিটি অমা লৈনখিবদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ফিফানা মালি ফুটবোল এসোসিএসনবু সস্পেন্দ তৌখিবনি।

# এসিয়া ওসিনিয়া ৱর্ল্ড জুনিয়রদা ইন্দিয়ানা কাজখষ্টানবু মায়থীবা পীখ্রে, ভাম্ব্রি চেল্লেঞ্জরসকী প্রি-ক্বার্টর চঙখ্রে





ন্যু দেল্লি, মার্চ ২১ : ইন্দিয়াগী নুপামচাশিংনা বেঙ্কোক্তা চথরিবা এসিয়া ওসিনিয়া ৱর্ল্ড জুনিয়র অন্দর-১৪ টেনিস টুর্ণামেন্টকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ সিগী লীগ মেচতা কাজখষ্টানবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী দিভেশ গাহলোট অমদি ভি এম সন্দীপনা মখোয়গী সিঙ্গল মেচশিং মায় পাকখিবদা গেম অনী-অনী দ্রোপ তৌখি। অদুগা দবলস ইভেন্টতা নিশান্ট দবাসনা সন্দীপকা পার্টনর ওইদুনা মায় পাকখি।

লীগ মেচ অদুগী সিঙ্গলসতা দিভেশ গাহলোটনা নিকিটা সিদোরোভপু ৬-০, ৬-২, ভি এম সন্দীপনা টিমুর চশেরবোকোভপু ৬-২, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা নিশান্ট দবাস অমদি ভি এম সন্দীপনা দবলস মেচতা নিকিটা সিদোরোভ অমদি দানিয়াল টাস্কালিবু ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা উজবেকিস্থানগা শান্নগনি। অদুগা য়ুমশকৈশা নুমিৎতনা কোরিয়াগা লম্বা তৌদুনা মায়োক্নগনি।

চথরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী গ্রুপ এদা চাইনিজ টাইপৈ, চিনা, হোং কোং অমদি লেবানন, গ্রুপ বিদা ন্যু জিলেন্দ, জপান, সিরিয়া অমদি ফিলিপিন্স, গ্রুপ সিদা ইন্দিয়া, কোরিয়া,উজবেকিস্থান অমদি কজাখষ্টান অমসুং গ্রুপ দিদা ওষ্ট্রেলিয়া, থাইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া অমদি শ্রী লঙ্কানা পুন্না তামিন্নরি।

অমরোমদা, চিনাদা পাঙথোক্লিবা দোল্লর ৫০,০০০ চেল্লেঞ্জর টেনিস টুর্ণামেন্টকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভম্ব্রিনা জপানগী টাটসুমা ইটোবু অহানবা রাউন্দগী মেচতা ৭-৬ (২), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা য়ুকিনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মরিশুবা সীদ স্লোভেনিয়াগী ব্লাজ কাভসিককা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। টুর্ণামেন্ট অসিগী দবলসকী প্রি-ক্বার্টর মেচতা ক্রিষ্টোফর রুঙ্কাট অমদি জীভন নেদুনচেজিয়াননা চিনাগী দি রু অমদি ঝিঝেন ঝাংবু ৭-৬ (৫), ৭-৬ (৫) দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, মেক্সিকোদা চথরিবা দোল্লর ৫০,০০০ চেল্লেঞ্জরস টেনিস টুর্ণামেন্টতা দেভিস কপ্পর রাম কুমার রমানাথননা অহুমশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দগী ক্বালিফাইয়িং সিঙ্গলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনৌরগী মখুৎতা ৭-৬ (২), ৫-৭, ৬-৪ দা মায়থীহৌখি।

বহরিনগী মন্নামাদা চথরিবা দোল্লর ১৫,০০০ আই টি এফ মেন’স ফ্যুচর টেনিস টুর্ণামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী সিঙ্গলস মেচতা সাভাজখাননা বহরিনগী অব্দুল রহমন জনাহিবু ৬-০, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। গ্রীসকী হেৱাক্লিওনদা চথরিবা দোল্লর ১৫,০০০ আই টি এফ ৱিমেন’স টেনিস টুর্ণামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী সিঙ্গলস মেচতা বেলজিয়মগী মিকেলা বোভনা কর্মন কৌর থান্দিবু ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।